# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা ইদুল জহা পাঙথোক্লি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চত্থবদা লালহৌলুপশিংগী মীওই অহুম ফারে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি কেনাদাদা থা অসিগী ১৫ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা জি-সভেনগী মীফমদা শরুক য়াগনি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

ইদ (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা ইদুল জহা পাঙথোক্লি। মসজিদশিংদা লাই খুরুম্বা অমসুং চামিন থকমিন্নবনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

ইদুল জহাগা মরী লৈননা মীয়ামদা, মরুওইনা মুসলমানশিংদা পীবা পাউজেল অমদা মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- কুম্মৈ অসিনা প্রোফেট ইবাহিমগী থাজবা, ওইজবা থিদবা অমসুং কৎথোকপা কয়া অদুনা মীওইবা খুন্নাইদা তন্বীরম্বশিং নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। মহাকা হায়- কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ইদুল জহাবু মশক তাক্লিবা থৌজাল হৈবা, কৎথোকপা অমসুং

মীনুংশি লৈবগী মগুনশিং ঙসিগী খুন্নাই অসিদা ময়েক শেংনা উৎলশি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-কৎথোকপগী কুম্মৈ অসিনা মীয়াম্বু থাজবগী মগুন অদু নৌহৌননা নিংশিংহল্লে। নুমিৎ অসিনা লাকপদা অমনা অমবু মতেং পাংনবা, জাতি কাংলুপশিংগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবা, অমত্তা ওইবা অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু।

মণিপুর বিধান সভাগী সদস্যশিং- য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ, কোংখাম রোবিন্দ্রানসু কুম্মৈ অসিনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্রনসু ইদুল জহানা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী শেল খায়বগা মরী লৈননা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং ফাবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মণিপুর পুলিসনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাংঙু শামশঙদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ফাখি। মহাক কুম্বি এরিয়াদা লৈবা মীয়াম, স্কুল, কলেজ অমদি দুকানশিংদগী শেল খায়বদা হকথেংননা চেন্নবা মীওইনি।

অমরোমদা, ককচিং জিলাগী ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা এলাং খাংপোকপী ময়াই লৈকাইদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমসু ফাখি। ফারবা মীওইশিং অসিদগী পোৎলম কয়া ফংলে হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুম্বোং বজারদগী য়ু.পি.পি.কেগী মীওই অমা ফাখি।

মরক অসিদা, চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হাইৱে-৩৭ তা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৩০৩ পুশিল্লকখ্রে। চ্যেক পোইন্টশিং হাংদুনা অচৎ অওক চ্যেক তৌবগী থবক অমসুং য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ

চংদুনা থি হুম্বগী থবক চথুরি। অখন্নবা খোঙজং শরুক অমা ওইনা গাড়ি ২০ লোমদা নপ্লম্বা টিন্তেদ গ্লাসশিং মণিপুর পুলিসনা লৌথোকখ্রে।

ঋালতাবী (এল) ঃ শিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগী পাউ খোম্বা চৎপা পাউমীশিংনা তোংবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বস অমবু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ঋালতাবীদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা বসতা থারিবা মণিপুর হায়বা লৌথোকউ হায়বা ৱাহৌদগী পাউমীশিংনা খোঙজং কয়া চংশিন্দুনা লাক্লি। সরকারনসু মসিগীদমক কমিতি শেমদুনা থিজিনবগী থবক চথুখ্রবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফালগী সেক্রেতরিয়েট সাউথ ব্লোক্তা খোঙচৎ অদুদা য়াওরুবা পাউমীশিংগী জবান লৌগদৌরি।

দেসাম (এল)ঃ দেমোক্রেতিক ষ্টুদেন্টস এল্লায়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী থৌমী ৫০ শাবা কাংবু অমনা ইথায় বরাজদা পৈশিন্দুনা লৈবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং লৌথোকখ্রে।

দেসামগী হেলথ এন্দ ইনভাইরোনমেন্টকী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে ২০২৫ গা মরী লৈননা প্লাষ্টিকনা থোকহনবা পোলুসন থিংলসি হায়বা হিরমগী মনুং চন্না ক্লিন ইথায়, সেফ মণিপুর রিভর হায়বা ৱাখল্লোনদা ঙরাং লুপ অসিগী থৌমীশিংনা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং খুন্দোকপগী থবক চথুখিবনি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- মণিপুরদা মায়োক রিবা ঈচাউগী চৈরক অসিদা ঈচাউনা পুথরকপা প্লাষ্টিক্কী অমোৎ অকায়শিংনা ইথায় দাম অসিদা পৈশিন্দুনা লৈরকখিবনি। ঙরাং দাম অসিদগী প্লাষ্টিক বোট্টল লিশিং ৬ লোম লৌথোকপা ঙমখি হায়রি।

প্লাষ্টিক (এল)ঃ ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন, মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দোনা ঙরাং পাউনা বজারগী মসজিদ রোডতগী অমুক্তা শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং ফাগৎখি। অখন্নবা দ্রাইভ অমদা মফম অদুদা লৈবা গোদাউনশিংদগী অমুক্তা শিজিন্নরগা হুন্দোকপা

প্লাষ্টিক কিলোগ্রাম লিশিং ১,০১১ রোম ফাগৎপা ঙমখিবনি।

কোকোমি (এল) ঃ হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাউদা কা হেন্না অমাং থোকখ্রবা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই হৈক্রু মখোঙ লংকাদা কোকোমিনা তেংবাংগী পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে। ঈচাউ অদুদা ময়ুম মকৈ মাং তাকখ্রবা মফম অদুদা লৈবা মীওইশিংগীদমক মতম খরগী ওইবা য়ুম শানবা মরী লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংদা তকশিনখি। কোকোমিগী মাইকৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংখ্রে। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- কোকোমিগী সর্ভে টিমনা লৌখৎলকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না ঈচাউ অসিনা অৱাবা মায়োকরিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুং কয়াগী মীওইশিংদা চান-থকবা পোৎলম, হিদাক লাংথক, ঈশিং য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং মতেং পাংখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি কেনাদাদা পাঙথোক্কদৌরিবা জি-সভেনগী মীফমদা শরুক য়াগনি। কেনাদাগী প্রধান মন্ত্রি মার্ক কারনেনা ঙরাং শ্রী মোদিদা ফোন তৌরক্তুনা মীফম অসি য়াওনবা বার্তন তৌরকখিবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীখলদা শ্রী কারনেনা মায় পাক্লকখিবা অমসুং জি-সভেন মীফম য়াওনবা বার্তন তৌরকখিবা অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি। শ্রী মোদিনা হায়- মীফম অসিদা কেনাদাগী প্রধান মন্ত্রিগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা মরী, নৌহৈননা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

জি-সভেন হায়রগা খঙনবা গ্রুপ ওফ সভেন মীফম থা অসিগী ১৫ দগী ১৭ ফাওবা কেনাদাগী প্রোভিন্স অলবরতাদা লৈবা কনানাসকিসতা পাঙথোক্কনি। ওত্তাৱাদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রি কারনেনা হায়- জি-সভেন মীফম অসিদা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনদা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চংগনি। মহাকা হায়- মীফম অসিদা ভারত য়াওবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। মরমদি লৈবাক অসি হৌজিক মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ইকোনোমি ওইরকপদা নত্তনা মালেমগী ওইবা সপ্লাই চেনদা

মরুওইবা থৌদাং লৌরক্লিবা লৈবাক অমনি।

দেলিগেসন ঃ ওপরেসন শিন্দুরগী মতুংদা ভারতনা তেরোরিজমগী থবক থৌরম অমত্তা লৈহন্দবা হায়বা থৌশিল অদুগী পাউজেল পুবা রাজনীতি দল পুম মক্কী মীহুৎ কাংবু অমা জরমনিদা ঙরাং থুংখ্রে।

বি.জে.পিগী এম.পি. রবি শঙ্করনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অদুনা জরমনিগী মপান থৌরম মন্ত্রি জোহান ৱাদেফুলগা উন্নখি। শ্রী ৱাদেনা পহলগামদা তেরোরিষ্টশিংনা চত্থরকখিবা তেরোরিষ্ট এটেক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ভারতনা তেরোরিজমগী মায়োক্তা চংশিল্লবা খোঙজংদা জরমনিনা শৌগৎকনি হায়খি। মীহুৎ কাংবু অদুনা জরমনিগী উপ-রাষ্ট্রপতি উন্নদুনা পহলগাম টেরর এটেক অমসুং ওপরেসন শিন্দুরগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

ব্রিক্স ঃ ব্রিক্স লৈবাক ১০ গী সংসদনা পহলগাম তেরোরিষ্ট এটেকপু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা ভারতনা তেরোরিজমগী মায়োক্তা জিরো টোলরেন্স হায়বা থৌশিল অদুদা মতেং পাংগনি হায়রি।

লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ব্রাজিলগী ব্রাসিলিয়াদা থা অসিগী ৪ অমসুং ৫ দা পাঙথোকখিবা ১১ শুবা ব্রিক্স পার্লিয়ামেন্টরি ফোরমদা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা মালেমগী ওইনা হৌজিক থেংনরিবা সমস্যশিং- আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স নিংথিনা অমসুং দাইত্বা লৈনা শিজিন্নবা, মালেমগী লল্লোন ঈতিক অমসুং শেনমিৎলোন, ইন্তর পার্লিয়ামেন্টরি কোর্পোরেসন, মালেমগী ওইবা ইং তপ্পা অমসুং সেক্যুরিতিগী মতাংদা অমত্তা ওইনা য়ান্নখিবনি।

অসাম ঃ অসাম পুলিসনা ড্রগ করবার তৌফম অমা থুগাইরে হায়রি। মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-তোঙান তোঙানবা থৌদোক অনিদা হোজাই পুলিস অমসুং কর্বিঅংলোং

পুলিসনা ড্রগ ফারে। হোজাই পুলিসনা মীওই অনিদগী লুপা কোতি অমা লাখ ৬০ রোমগী মমল ওইগদবা হিরোইন গ্রাম ৮৩০ ফাগৎপা ঙমলে।

অমরোমদা কর্বিঅংলোং পুলিসনা মীওই অনিদগী ত্রামাদোল কেপসুল লিশিং ৬,২০০ রোম ফাগৎপা ঙমলে। মোরিগাউ পুলিসনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা মীওই অহুমদগী হিরোইন গ্রাম ৭ মখায় হেন্না ফারে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঈশিং ঈচাউ অসিদা দোলাইথাবী দামগী সত্তর অমা কায়খিবগী মতাংদা হংলকপা ৱাহং, সস্পেন্সন ওফ ওপরেসনগা মরী লৈননা গুৱাহাতিদা মীফম পাঙথোকখিবগী পাউ অমদি মণিপুরদা পোপুলর গভর্নমেন্ট অমা শেমনবা মাইকৈ কয়াদগী তকশিন্নরকপগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

ষ্টেট দাম সেফতি ওর্গনাইজেসনগী মাইকৈদা অশোইবা লৈখিবদগী ঈচাউ মায়োকখিব্রা হায়বগী ৱাহং লাক্লি হায়বা পাউ অসি পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা ইন্দিয়াদা কোবিদ নাইন্তিনগী এক্তিভ কেস লিশিং ৫ হেনখ্রে, পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই মরিগী পুন্সি মাংখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিগী মখাদা মণিপুরদা কোবিদ নাইন্তিনগী এক্তিভ কেস অমত্তা থেংনদ্রি। অদুবু মায়োক নবা পুং ২৪ চুপনা শেম শাদুনা লৈবা হৌরে হায়বা হেলথ দাইরেক্তর ডাঃ চন্বো গোনমৈগী ৱাফমনা সবহেদলাইন নীদুনা অহানবা লমায়দা ফোংলে।

অনৌবা লৈঙাক লৈহনবা লৈহনদবা রিপোর্টশিংগী মখা পোনগদৌরি, হোম সেক্রেতরি আই.বিগী দাইরেক্তরনা রিপোর্টশিং পীখৎকদৌরি হায়বা পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরে।

সনালৈবাক্তা কুকি ফরুপকী লুপ মরিগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা গুৱাহাতিদা ৱারী শান্নখ্রে, সু শাংদোকপা, শাংদোক্তবগী মতাংদদি লৈখায় তাখিদ্রে হায়বা পাউ

অসি অনিসুবা হেদলাইন তৌরে।

এন.আই.এনা মোরেদা লৈবা কুকি মচা অমা মণিপুর ক্রাইসিস অসিগা মরী লৈননা ফাজিনখিবগী ৱাহৌদা  মোরেদা পুং ২৪ গী সটদাউন চত্থবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলে।

পিপলস ক্রোনিকলদা ঈচাউ অসিনা জেনিমসপু ক্লাইমেত প্রুফ হোস্পিতাল অমা ওইহন্দবা য়ারক্ত্রে হায়বসি শেংনা উৎলে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোরেদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিংগী মনুংদা মীওই ২২ হকচাংগী ফিভম ফৎলক্তবদগী লৈখিদ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইন্তরনেসনেল যোগ ডে ২০২৫ মতাংদা পাউ অমা মণিপুর মেলদা ফোংলি।

খুমজি মার্কেট এরিয়া নিংখায়রকপা য়াই হায়বগী চেকশিন ৱা নোনেগী দিপ্যুতি কম্মিসনার থমখিবা ৱাফম গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অকোইবগী খলদা শিংনরক্লিবশিং ঙাকথোকবগীদমক হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি বিরেন সিংহগী সরকারনা ইং ২০১৭ তগী ২০২৫ ফাওবদা আইনা কায়না পোপী থারম্বশিং মাং তাকহনখিবা পাউ তমেংলোং টাইমসদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা জ়ন ৮ দা নোংমগী ওইবা লাইশোল সভা পাঙথোকপীয়ু হায়বা অনসমগী আপীলনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------